# ৱারীমচা

## থৈরল্লবা যুগ

*জিতেন নামৈরাকপম*

লৈকাইগী খুরাহন সনায়াই শিরে। লায়না–তিলনা চেন্দনা মশা–মউ ফখিবা অহলনি। খুরাহন্না অয়ূক্কী ৱার্কিং চৎপদা খৌদেমবগী মখোলনা নোং–ঙান্দৌরে খঙনরিবনি। অদুবু ঙসাই নুংথিল মশু ময়াম লক্লদুনা শান্নরম্বদগী খঙহৌদনা লেকথখি হায়দুনা নীংথি–নুংঙাইনা লায়কন্নবকা নংদনা অদুম গত্ত ওইখ্রমাল্লে। পূং ১/২ দি জ্ঞান তারপ লৈরম্মী হায় অদুবু থবক ফবীবা মাইবা কোকঙাংখোয়, পালা বিধুখোয়না মনাক্তা ফমশেন্নদুনা হরিনামবু শোনবও, কপশিন–লাওশিন্নবীবও, অমরোমদা কু চনবীবগী তোক–তাক গোং–গাং হায়বনচিংবা ময়ামদুনা নমদনা লানবীখিরম্বা ওইরমগদ্রা হায়বদুমদি চপ–চাবা খঙদ্রে।

নীংথম থাগা ওইবনে, ঈংবনা মপান থোক্লীংদবা নুমিদাংগী মতমনি। অদুবু খুরাহনগী মীকৌ–মীরাক ফজবা অমদি অঙাং–অহল খায়দনা তিন্নখিবনা পোলোয়বীনবা মী ৱাৎখিদে। ঙাইহাক্কী মনুংদা ৱা, শীং, তয়ার, য়োৎপাক, থাংজৌ লোয়নরবা নহারোল খ্বাঙশেৎ, কোকশেৎ খুদৈ–মতেক ফৈইন ময়াম মোঙফম তম্না মরী–মরী থোক্লরকই। খরনা থবক শুরি খরনা ৱারেম ঙাঙলি। থবক শূবা মী মশীংদগী ৱারেম ঙাঙবনা হেল্লি। শুরিঙৈদা তাকশিনবা মীগী মশীংসু ইনোপ নোপতে। অদুবু কুইদে, ঙাইহাক্কী মনুংদা মোঙফম শেংবা, শীং–শেন্বা, হুমাই শাবা, চাঁদৱা য়ুংবা থৌরাং পূম্নমক লোইশিল্লি। পূং, ঝাল, মীকপখোল মরক্তা হিকথরপ তৌবা সুরদা পালা বিধুগী লোরবা খোঞ্জেলনা নমহৎলকই– “ধোনো মোরেরা নিত্যাইনন্দা...।” হাপলেম্পকী মঙালসু মোংফমলোমদা নকশিল্লকই। মরক্তুদা লাইনীং লাইশোন্দা থৱায় লুপচবী শগোলশেন বর্ত্ত তৌবী লৈকাইগী ইন্দোন্দুমদি য়াম্নমক মরনাইগী ওইনা মথ্বায় শোক্লা তেংথাজে।

ইমুং হুপ্লা মৈ কোইবনচিংবা লোইরবা মতূংদা নাকলগী পুখ্রিদুদা লুপ্পরা লুপ্নদবরা চঙনরম্লগা ফম্নরম্বা অয়াম্বসু মীরৎ–নারৎ য়েংলগা শৎ–শৎ মাংনখি। মাংনখ্রিবশিংদু হৌনবা ফি–রোল তুম্বদি ইয়াও য়াওনখিদে। ইংমনবদুদা তৌরিব্রা নৎত্রগা ঐখোয়না চৎলিবসি য়ূমদা নত্তে, হল্লকখিনি হায়রিব্রা, চপ–চাবা ঙমদে।

অয়াম্বা চৎনখ্রবনিনা অততাই তাহৌবা নহারোল ৪/৫ দং ঙাইহৌরে। অহলদা হায়রগনা, নহা ওইনা খুরহনগা য়াম্না লুনা তিন্নজবা অয়ূক্কী ৱার্কিং মরুপ তা–মাইরেঞ্জাউ মঙাইরে। মখোয়শিংদু ইকোয়–কোয়না মৈ য়াইদুনা ফল্লি। নাকন্দা যজ্ঞগী শীংসু মৈচাক ফরকই। তাঞ্জাদুদা নহা অনীখক চেনচৎতা শ্বর থবেৎ–থবেৎ হোল্লদুনা চঙশিল্লকই। অমনা তহা–তহা পাউদম্লে– “কমান্দোনা চাইহৌরে। উচিন–নাচিন্নদি লৌরকএ কৈকান্নবা নুংদাংসিদা খুল শঙলিবনো খঙদে। মখোয়না ফানিংলিবা নহারোলশিংদুদি অমত্তসু লৈরম্নরোই। ঐখোয়না খরা খরা থকচবসিফাও মীহুল ঈচেল হেক চেনখৎহল্লি।” হায়রম্লগা মখূৎ শৎ হুমজিন্দুনা ফিনুংদগী পীক থনবা প্লাষ্টিক খাউ অমা চিংথোরকই। মচিন মথক–মখা থক ওম্থোক্লগা মচেৎ নাম্মদু শাংলপ চিংথৎলি। ময়ানা কক চিকৎলগা ফু কামথোকই। অমনা হায়রকই– ‘বেষ্ট, পাষ্টিক মায়চোনবী! গ্লাসতি কদায়?”

– অথেংবসিদা কদাইদগী গ্লাসনো হৌজিকপু! চিন্না অমুক–অমুক হেক্তা চুপ্নরসি।

– এ! ঐদি অদুম অমুক্তা তৌরক্ত্রি, হাদৌ মাল্লি।

–তা–মাইরেলদা হান্না চুপহল্লু, তা–মাইরেন্দা। অহলনা দাইকোক্তসু ফম্বীরবনিনা হৌবীরো।

– অসঃ ওম্থোক–ওম্থোকপসি য়াম তৌদৌরিদা হনুথংসিদা!

অসি হায়রম্লগা তা–মাইরেন্দু লৈপুংখাংঙা মহি থকপদৌনা শুগৎলগা চিংই। য়েৎলোমদা অমুক লাল্লি। শুগৎ–শুগৎলগা অঙম–অঙম্বা চাংদা চিংনখিদুনা মপুমদুমা রাউন্দ অহুম্লক্তা তৎলে। নিক–নিক লাউনা য়াউরিবা প্লাষ্টিক খাউ অহুমখকসু নাকন্দা পাক–শন্না তারি। তাঞ্জাদুদা রঘুনা চা–কপ মপান অকায়বা অমা ফুরিৎখাউ মনুংদগী লৌথোরকই– “সোমদা শীং শেল্লিঙৈ, হুমাই শেন্নরিঙৈদা কপ য়াউরকই হায়বা কাউরুরে” হায়রকই। লোয়ননা প্লাষ্টিক মপুম অমা মহাক য়াওদনা থদৎলম্বগীসু নুংঙাইতবা ফোঙদোকই।

– “এঃ অদুদি মাগী পীক থন্না অমা হৈজিল্লু! নিকসন নিকসন হৈজিল্লু!” তা–মাইরেলনা হায়রকপনি। মখা তারকই, “কমদৌই ইবো?”

ইশু–শুগৎলগা কপতু লাম্থোরকই, রঘুনা হু–হা, হু–হা তৌদুনা খুম্লকই– “কাথী নম্লপ তৌই।”

“অদুনিনে। শিন্সু শিল্লি। হাউখিদ্রে! মমাঙগী হনুবীদুদগী লৌরক্কেদি হায়দদনা মাই তোমচৌসিনা কাচিনগী হল্লকপীদুদগী পুরকপা ওইরিনি। ইবো নঙ’মা পাখঙনেনা নশাদু লোইরেনে মদুগী হল্লকপীদুনা ফদি শুম্বদৌনা শুম্বদা! পীক্লপ হৈয়ুনে। চাউমল্লিনে। মারিনবদি কদায়, অমত্তা লৈত্রবরা?”

“তা–মাইরেল, হৌজিকপু কদায়দগী মারিনবা লৌরুদোইনো? সিমতংগা পায়শিনবীরো। গুৎ য়োৎশিল্লগা শ্বরদো ‘হা–আ–আ’ লাউনা অমুক্তং কামথোকপীয়ু। হা–আ–না মারিবমুক ফবা লৈত্রবনি। ঐখোয়বুদি ঙসাই হুইবুম অমা কক্লগা ঙৌ–ঙৌদুনা চারক্লবনিনা চানবা কয়া পামদ্রে। পাল্লিবা হায়বু হিদাক্লে হিদাক!”

থগেবা অমা লোয়ননা তা–মাইরেল শ্বর অমা শাংনা হোন্দোকই– “থুল্লা, মঙ্গল্লা মরু অমতংদি কক চিক্লিংখ্রেদা, শা ঙাসু চাদ্রবনিনা কংথকসি থবাকসে শেৎ–শেৎ চিংখাইবোই নীংঙি। অদুবু ইনাওশা, নখোয়বু শাজাও চাবদু খরা থাদোকওনে। নখোয় নহারোলশিংসি তশেংনা কীরে। ইপা–ইপুনা চানরম্বা চীঞ্জাকশিংদগী চাহৈদবা জাৎ–জাৎ চানরক্লে!”

রঘুনা থোক ওক্তুনা খুম্মী– “চাহৈবা চাহৈদবা খঙদে তা–মাইরেল। ষণ, ইরোই, হুই, হৌদোংদি লায়রি ইথা–থাজদনা কৌজেং কাংঙৌসিবু ওম্থোক্লা হাউখ্রেনে! হাউইবু, তা–মাইরেন্না খঙদ্রবননি, হাউখ্রে হাউখ্রে!”

– “হাউনি হাউনি। লিন কাংশোই, হঙোই বোরা, ঙাচক পাক্লম, উচি মেৎথোঙ কনাগী তীন–কাং অমত্তা লৈবা ঙম্লরোইদৌরি, নখোয়না চাবদা। কোলেরাগী মহিক ফাওবা ফারগা চারকখিগনি। নখোয়গুম্বা ময়াম্না যুগ অসে থৈহল্লবা হায়দুনিনে।”

– “চাববু য়ারদি তা–মাইরেল চারগেসিদা লৈরে। ‘চাহৈদবা’ হায়বা ৱাহৈসি থম্লরোই ক্ষসিনি ননাউ ঐখোয়না খঞ্জরিবসি তা–মাইরেল!”

– “চাবা ফংদদুনা শিখ্রবা করম্বা থৱায়না পোক্লকপনো খঙদ্রে নখোয়সি। যণ অশিবা ফাওবা ফুম্বা য়াদ্রে, হোৎকদবগী! নহান ফকচাউখোয়গী হুইনাউ অশিবা অমা মমাঙগী লক্ষাংদা ফুমখিবদু কনা–কনানো খরনা হোগায়রগা পুখ্রে হায়দনা লাউনখিবদু নখোয়না ওইরিনিনে? ঐদি নখোয়সে তশেংনা কীরে হায়রিসিনি। নিশা ফংঙি অনৌবা অমা থোরকপা য়াদে চাগদবগী, থক্কদবগী। নিশাগা, থীবোং লাওবগদা মৈতৈসি নম্বর ৱান তারবনি। সে, মচা অমগা হৈজিল্লু। ইবুঙো সনা নঙগী পেগতু চাউমল্লে। চিংবা ৱাই, পীক্লপ হৈয়ু। মুতুম ইবুঙো কোকফাবা, হুমাইসি অমুক্তা পাইরু। শীংসু খরা হাপ্লম্মু। নুংশিদা খুরা মরুপ নঙদি চৎখ্রেদো, অহান–অকোনগী ৱানি, ঐখোয়সু মফমসিদা নোংমদি শোয়দনা হিপকদৌরিবনি।”

মখোয় পূম্নমক নিশা ফজনা পাল্লে। তপ্লি–তপ্লি হিদাক্কী রাউন্দ চৎপদি লেপ্তে। ঙসাইমখৈ মঙক লেকথদুনা লৈরুরবা তোমচৌনা কিন্থরক্লবা কু তম্না য়েংলগা লোল ফাইনা হায়রকই–

– “তা–মাইরেল, মারিনবসু য়াওদ্রে ঐখোয় ৪/৫ দংসু ঙাইহৌরে, খুরাহন সনায়াইগী মৈদা মুন্না লৌরবা শদোংসি মচেৎ অমা ফক্লগা মহাউ তংসিদো?”

– “ঐদি ঙসাইনা পাম্লবনি।” রঘুনা হায়রকপনি মখা তারকই, “খ্বাইদগী হাউবসি মীনি হায়নৈ। চাদ্রগবু হায়বা য়াবরা? চাসি। ঙসিদি ঐখোয়সু মী চাসি। ঐ লৌথোরক্কে।”

– “হায় রঘু হায়বা হিংচা মানবা, ফাগীনেদনবু অদুম তৌবা হৌনব্রা, অদুম ঙাংনু হৌনদেনে নখোয়বু।” তা–মাইরেলনা ঙক্লপ–ঙাওরপ হায়রকপনি।

– “তা–মাইরেলদি খঙদে ঐখোয়দি চারনি।”

– “আই–আই! বিষ্ণু–বিষ্ণু মাই রঘু হায়সে, হে নঙবু তৌনুনে হৌনদেনে... হে রঘু আ–আই হায় তৌনু হায়মী... বিষ্ণু–বিষ্ণু মচেৎ অমা ককখ্রেনেহে! ... ফরে হিংচা য়ায়তম্বশা নখোয়না থোকপা তৌহৌরো, ঐদি চৎলে!”

হায়রম্লগা তা–মাইরেল, মানা খঙজবা লাইগী মন্ত্র শোল্ল–শোল্লদুনা হায়রং–তুরাং মোঙফম্লোমদগী থোক্লকই। লমজাউনা চিংদুনা ময়ুম মায়কৈ পাংলমদায়দা অমুক্তং মমাই ওম্থোক্লম্লগা মখোল ফাইনা লাউরম্মী– “নখোয়তদি ঐগী পোৎলোইবদা য়াওবীরক্কনুকো...!”

## তাবুনুংদগী

*মীয়ামগী লুচিংবা হিজম ইরাবোৎ পূম্নমক্না য়ানবা লুচিংবা ওইবতা নত্তনা মমিং লৈরবা কবি অমনি। মহাক্কী শৈরেংগী খোমজিনবা লাইরিক ‘‘ইমাগী পূজা’’ লুচিংবা অসিনা সিলেট জেলদা লৈরিঙৈ ১৯৪১–৪৩ দা ইখিবনি। লাইবক থিবদি লাইরিক অসি চহী ৪৪ গী মতূংদা ১৯৮৭ তা ফোঙখি। লাইরিক অসিদা য়াওবা ‘‘তোকঙা’’ কৌবা শৈরেং অমা ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।*

### তোকঙা

অসিৱাইদা নুপী অমা কপহল্লমই,
লংফৈদা হিংলিবা মচা হাৎতোকই।
অসিৱাইদা ময়াম অমা নোকহল্লি–
ওইদবা মী অমা ফম থিন্দোকই।
মচি অমদা খম থেংনা কিহল্লি,
অশিবা অমা হিয়াং ’থৌবা ওইহল্লি।
পোকপনা মকোক খিত্তং তোংবা
তোকপনা পোকলে ব্রহ্মা অমা।
মশা চাদনা মতু চিনহল্লি,
মায়কৈ মরী ৱা–ৱা শরা শল্লি।
অসিনি অদুনি লৈতে অরেপ্পা মূর্ত্তি–
চিন্থিবগী চিম্বানদা ইংখোনবী।
লান্দা লাল্লবসু দোষ থিবিদে
চেক্তা চেকশিল্লগসু শ্বাই, লৈতে।
মানা য়ৌদবা মফমসু লৈতে–
য়ৌরোই হায়নীংঙাইসু লৈত।
চিল্লবা কারাগার মনুংদসু অদুমঙাই
কল্লবা শাসনগী পন্নুংদসু অক্ষানি।

## মণিপুরী পাঙ্খে–পাউরৌ, পাউতাক

* **করি লাইনা (করম্বা লাইনা) শারকপনো মসিবো।**
– তৌথোরকপা থবক্তা য়ানীংদদুনা চৈবা।

* **করাম চাউবনা অচুম–অরান থিদে।**
– মীহৌ চাউবা মীদি অফ–ফত্ত মশক খঙদে।

* **করোম হাওদা পাউজেনবা, শগোল হৱাই পুমথোং।**
– পাউ থাখিবগী পাউখুম পীবিরক্তনা লৈখিবা।

* **কনানা চারগা কনানা য়েংগনি।**
– পোৎ য়ামদবা য়েনবদা থুংলোইদবগী অৱাবা।

* **কানবু লৌজবনো তৌথোরকপদি থুৎ লাউই।**
– তৌথোরকপা থবক্তা পেন্দবদগী চৈবা।

* **কনাসু হৈনা পোক্লক্তে।**
– তম্লগা তৌরগা হৈরক্কদবা ঙাক্তনি, পোক্লকপদদি চপ মান্নে।

* **কনানা লাইনি, কনানা তীলনি।**
– মী খুদিংমক অমগা অমগা মান্নদে, অফবসু লৈ ফত্তবসু লৈ।

* **কনাগী থীদ্রুমনো চাওবী মাগী থীদ্রুম্মি, শাংমল্লি ককথৎলু তেনমল্লি শমজিল্লু।**
– পুবা–থাংবা ঙম্লোইদবা, তুকা থিবা থবক।

* **কনোনা হৌদোং মঙক্তা শরীক থাংলুনি।**
– তৌঙমদবা ওইরোইদবা থবক্তা মায়োক য়াবিনবা মী লৈতবা।

**খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

## চানক্য নীতি

– নমাঙদা থাগৎপা নতুংদা মাঙহন্নবা শীনবা মরুপ্তু থাদোকখো। অদুগুম্বা মরুপ অদুদি হু য়াল্লবা শঙ্গোম চফুগুম্বনি।
– ফত্তবা মরুপ্তসু অফবা মরুপ্তসু পুল্লপ থাজফদে, মরমদি মহাক্না শাউরকপা থোক্লবদি নহাক্কী অরোনবা পুম্বা লোইনা হায়দোরক্কনি।
– পূক্নীংদা লৈবা তৌগদবা থবক চীন্দা ফোঙদোক্কনু। হায়দোক্তনা থম্লগা নীংথিনা পাঙথোক্কদবনি।
– অপঙবসি অৱাবনি, নহা ওইবসু অৱাবনি, মসি পূম্নমক্তগী হেন্না ৱাবদি অতোপ্পগী য়ূমদা শাইদাংবনি।
– চীং পূম্নমক্তা মনি ফংদে, শামু পূম্বদা মুক্তা ফংদে। মফম পূম্বদা সাধু লৈতে, বন পূম্বদা চন্দন হৌবা নত্তে।
– অশিংবা মীনা মচাশিংবু নীতি নীয়ম কয়া খঙহন্না চেকশিন্না য়োক্লে, মরমদি লমচৎ ফজবা, নীতি খঙবা শিংতনা শাগৈগী মিংচৎ পুরকই।
– মচাবু মহৈ তমহন্দবা মমাদু য়েক্লবনি, মপাদু য়েক্লবনি, কাঙঙ মরক্তা উরোক্লা ওইবগুম মীয়াম তিনবদা অপঙবনা ওই।
– ফত্তবা হৈনবী কয়া নুংশিবদগী হেনগৎলি, লাকশিনবা অমসুং ফু– চৈবনা থকসি–খাসি অমদি ফগৎহনবা ঙম্মী। অদুনা মচা অমসুং শিষ্যদা নুংশিবা উৎপদগীদি ফু চৈদুনা ৱারক্কদবনি।

**হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা**

## মণিপুরী পাউখোং

| *ঙসিগী পাউখোং ঃ* | | *মমাঙ নোংমাইজিং (২৪–০২–২০১৯) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ* | |
|---|---|---|---|
| ৩৭. | হুৎ ফেৎ– | ২৮. | খোঙ হাম্নীংবা (থী ফাইনীংবা) |
| ৩৮. | বৌনা বালচেৎ– | ২৯. | কৈ। |
| ৩৯. | মাইসে কাতোম্বী– | ৩০. | ক্বাক। |
| ৪০. | ফ্রেৎ ফ্রেৎ দম– | ৩১. | শবী। |
| ৪১. | অশিবনা অচঙবা পুবা– | ৩২. | ৱা। |
| ৪২. | অশিবশিংনা লমজেন তান্নবা– | ৩৩. | উমাইবী। |
| ৪৩. | অশিবনা অচঙবা ফাবা– | ৩৪. | কাংখল। |
| ৪৪. | অশিবনা অচঙবা পুনবা– | ৩৫. | নাকোং। |
| ৪৫. | অরাংবা থেক্তোয় নাকোয়– | ৩৬. | লশিং/ লাংথৈ। |

## কান্ন–ৱানি খঙজীনবিয়ু

* **লীক্লি মখুম হাংদোকপিগে হায়রবদি?**

লীক্লি (বোটল) মখুম চেংশীনমনখিবদগী হাংদোকপা ঙম্বিদ্রবদি, মখুমদুদা রবরবেন্দনা চেৎনা কোয়য়েৎ–য়েৎশীনবিয়ু, মেজিক্কুম শৎ লৈথোকপা য়ারগনি।

* **লীক্লি মনুং মোৎপা শেংদোকপিগে হায়রবদি?**

মনুংদা মোৎলবা লীক্লি ( বোটল) শেংদোকপিগে হায়রবদি অফুৎপা অলুগী মকুবু ঈশিংগা কোন্ননা লীক্লি মনুংদা হাপচীনবিরগা নীংথিনা নীকপিদুনা তেংথোকপিয়ু।

* **লেক য়াম্না থাঙ্গল্লবদি?**

মায়দা লেক য়াম্না থাঙ্গৎলবদি– শঙ্গোম মপান চামচ অমদা চম্প্রা মহী চামচ অমা য়ানশিন্দুনা নৈখায়বিরগা থমবিয়ু, অদুগা মদু নুমিদাং তুম্লমদাই খুদিং মায়দা মোলোমগুম তৈবীয়ু।

* **লুপা (চাদি/ সিলভর) গী লীক–কোলশিংবু মচু থোক্ননা শেংদোকপিগে হায়রবদি?**

ঈশিং লিটর অমদা থুম অমদি সোদা (উতি থোংবদা হাপ্নরিবা) পাউদর চামচ অমমম য়ানশীনবিরগা লীক–কোলশিং অদুগা পূন্না মৈথক্ত্না শাহনবিদুনা মিনিট অহুম্লোমদং শৌহনবিয়ু, অদুগা লৌথোকপিরগা ঈংথরবা মতূংদা অমোনবা ফি অমনা তকথোকপিয়ু।

*(খূৎনম ৮ লক হন্না পুথোক্তুনা কোপী লিশীং কয়া য়োনখ্রবা সনথোঙ পব্লিকেসনগীদমক মণিন্দ্র কোন্সমনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা লাইরিক ‘‘কান্ন ৱানি খঙজিনবিয়ু’’ দগী লৌথোকচবা)*

## চয়োল্পসিগী ফাগী

**মচাগী হাকন!!**

অমত্তা পোকচবা মচানুপানি। মমা–মপানা লুনা–চান্না, কেথোক– মৌথোক্না য়োকচৈ। মপাদুনদি মচাগী তুংগী মপুন্সিগীদমক খন্দুনা মরক করক্তা চৈ–থাংজরবসু মমানা হেক– হেক কম্থোক্তুনা নৱাংলকই। অসুম্না লাকপনা মচানুপাদু পাখঙ ফারক্লবদা লমহেন–তুহেনবা ওইরক্তুনা মতমগী য়ুকা থকপা হৈরক্লে। নোংমদি মপাদুনা য়ু ঙাওরক্লবা মচাবু খোন্দা থীনা চৈরুবদগী মপা–মচা শঙ্গৎনরক্তুনা জ্ঞান তাদ্রবা মচাদুনা মপাবু থাংনা য়ানগনি শিংনরক্লবদা কীরবা মপাদু কোইচেন চেল্লি– “লৈকাই–লৈকাই ইচানুপানা থাংনা য়ান্দৌরে... থাংনা য়ান্দৌরে।” মতৌ অদু উবদা নুপীনা লাউরকই– “মাই পাবুং কৈদৌগে ইবুংঙোনা শাউদুনা থাঙনা য়ানগে হায়রবদি মনম্মরা করিনো খরা কোক হেক য়ালহনবীয়ুদনা মরাইনা ফজখিনি!”

**খঙনীংবা ৱাফম!!**

পাখঙ– ঐবু থাজবীয়ু মেমা, ঐগীদি নহাক্না পুন্সিগী অহানবা অমসুং অরোইবা নুংশিবনি হায়বসি শেংলবনি, অদো নহাক্কীদি ঐহাক্না অহানবরা নৎত্রগনা মমাঙদা কনাগুম্বা নুংশিনখিবগা লৈবরা শেংনা অমুক্তং হায়বীয়ুদনা?

লৈশাবী – তামো ঐবুসু থাজবীয়ু, ঐগীসু তামোনা পুন্সিগী অহানবনি, অদো তামো... নখোয় নুপাশিংনা অসুম্না হেক–হেক হংলিবসি করিগীনো!

# শৈরেং

## সনালৈবাক মণিপুর

*– ইরোম মোবি*

নুপা মখৈনা য়ু ঙাওরি
নুপী মখৈনা জার্দাদা ঙাওরি
অঙাং মখৈনা মোবাইলদা ঙাওরি
লমচৎ–শাজৎ মখৈসু ঙাওরি
সনা লৈবাক মণিপুর
কোলোই নঙগী মণিপুর।

## উতুপ পায়বা, লৈবাক পুবা

*– রাজেন্দ্র ওক্রম*

উতুপ পায়বা, লৈবাক পুবা
হো! বাবু অঙম্বা বাবু
হেণ্ড– সেক্তি ঙমদে শাউবিনু
ফাবিয়ু ঐবু মুক্তা ফাবিয়ু।

য়ামাহা পাৱরসু কয়া
থায়না তোংখি বাজি লৈরিঙৈ
উপায় লৈতে লৈরগে ঙসি
মনুংদা চরাদং হেন্দনা
শহিগী ৱা’মা হায়বীনু হোরেল
ইমিং ইবা কাউরবা ঐনি।

চাউরবা চেক্কী য়ূমজাউদুদা
হকচাং শোক্ত’ চেঙয়েন চাদুনা
লেল্লগে মরুপ–মপাংলক্তা
মপাম য়ৌখ্রবী ঐনা নুপী
পোৎশীৎ ফরি তায় পান–দুকান
ৱাজরবীনি শীৎলসনু।

## পুকফবী ইমা মণিপুর

*– লৌরিয়াম শান্তনি*

পুকফবী ইমা মণিপুর
মমাবু মশক খঙদবা
মচাগী মমা ওইরুবনা
ইমা নঙদি ৱারেদো।

শাফু কন্না চেনশিল্লক্লে
অরূবনা মতাইদা অনৈবনা ময়ায়দা
তাউথরক্লে অমোৎপা মপৈ–মপৈ
কোক্তা খূৎ হাপ্লে মণিপুর।

ঈচেলবু ঙাক–শেন্দুনা লৈরিবা
তোর্ব্বান অনীসু ঙাকপা ঙম্লক্লে
ঈশিংগী ঈচেলনা হান্না–হান্না য়ৈবদা
নীংখায়গদবগী ঙাইদুনা লৈরে।

তোর্ব্বানথক্তা লেপ্তুনা লৈরিবা
চীংমী–তম্মী ইচিন–ইনাওশা
চোংথরসি ঈপাকসিদা তাম্থোক্লসি অনৈবা
মনীং তম্না চেনহল্লসি অরূবা ঈশিং।

## পুন্সি

*– শ্রী দেবচন্দ্র সিংহ*

শোয়দ্রবনি শিবা নোংমদি পূম্নমক
তিল্লগনি তাইবঙপানবা পুম্বসু
মালংদা উফুল ওইনা অমুক
লৈরোল চল্লনি উরিবা পূম্নমক।

মতমগী খোঙলোয়নি মপুগী শিন্থানি
ঙম্লোই থিংবা কনানসু মদু
তেল্লবা পুন্সিগী মীৎকুপ খরসিদা
লৈহৌগনি লোইঙমদ্রবা থবক কয়া।

অঙকপনি হে তাইবঙ মীওইবা
করিগী হুরান চিন্থি কল্লক য়েংথিনবা
লৈত লাইর অৱা নুংঙাই পূম্বা
খায়দবনি মপু মাগী মফমদদি।

য়ারোই ঙাইহনবা অরোইবা মীৎকুপ্তা
চৎলোই পুদুনা করি অমত্তসু
ঙম্মোই কনানসু মহুৎ শিনবা
অশিবগী খায়াৎতগী অমুক হন্না।

## মাঙথরক্লবা মমলগী

*– তাহির সাজবম*

নুংথিল পোবোপ্তা
মী কুঙলবা
সহরগী লম্বীদা
তাদুনা লৈ অহল অমা
নাহেরদুনা
মহাক থেংলম্বনি
হৱা গাড়ীনা
লম্বী লানবদা।

ইজ্জৎ লৈরবা
মশা নানবা বাবুশিং
অহলদুগী ফীভমদু
হাইফেত্তং য়েংলম্লগা মীৎচীনা
থৌখি য়াংনা
তোংলিবা কার।

মথন্তা হৌগৎপা ঙমদ্রবা অহল
ঈনা ঙাঙলবা মশা
তৈথোকপী
থেলা ৱালা অমনা
মরেংবানগী খুদৈ অদুগা,
অদুগা পুখি অহল অদো
মাগী থেলা গাড়ীদা
খোঙলৈ থুনা কনাবুসু ঙাইদনা।

## নহাকথক্তনিকো ওইথোকখিবশিং

*– কে ইমো মৈতৈ*

লমদমসিদদি ফৎত্রে চৈনরিবনি ঙাংনরিবনি
মফম খুদিং শোন্নরি ঙাংনরি ঙসিসু
অদুঙৈ প্রোখানগী অঙকপা থৌদোকশিং
মালেম পূম্বনা ঙক্লখি কোক্কী হৈশিংবশিং
থাগত্তবা ঙমদে মালেম মীয়াম্না
মতমদুগী লৈঙাক থৌদা লৌরিবশিংদো!
মখোয়গী মমাঙদা লৈরম্বা লৈঙাকশিং
উখোকপা ঙমখিদে মখোয়গী হৈ–শিংবশিং
মতম শাংনা থৌদা কয়া লৌরকখ্রবসু
য়েক্লবশিংনা নাচুংখিদে মখোয়গী লৈঙাকশিং
ঙসিসু থোক্লরে অঙকপা শক্তিদো
য়েক্লবগী মখূৎতগী পুরকখিবা অথৌবদো!
ইরমদমবু শীংনরকখিবা য়েক্লবা কয়াবু
শুপ্নগী মিনিট খরদা লৌথোকখিবা
খঙহৌদবা মীৎকুপ্তা থাজদবা মতৌদা
মমাঙথক্তা পাল্লম্বা সরকার মতৌগুম্না
উশিৎ থওইদনা মাঙহনখিবা কয়াদুগী
লমন খুম্লগনি ফোঙনা লাউখি
থাজখিদে মহাক্কী খোল্লাউশিং য়েক্লবনা
উহনখি তৌবা ঙম্বা মহাক্কী
হৈ–শিংবা কয়াবু উৎখিবনি মহাক্না।
নঙগুম্না তৌবা ঙম্লরোইদবা কয়ানা
শক্তি পায়দুনা শান্নগে থৌরাংলিবা
মালেমসিনা লৈরিমখৈ নহাক চৎকিনুকো!
হে! অথৌবা নহাক হল্লকখোকো অমুক।

## খাম্লনু ঐবু

*– শগোলশেম মোহেন্দ্রো*

খাম্লনু ঐবু থিংলনু অমুক
ইখোঙসে থাংলবনি চৎলগে খন্না।

ইশাবু পান্দুনা পাইনীংলে থম্মোয়দদি
মৈখুনা মম্লবা লমদমসিগী ৱাংমদা
থিরুরগে মহাকপু ইং–তপ্পী লাইরেম্বীদো
তম্লুগে নপাউ ৱারবা নখোয়গী।

খুবাক্তা হাপ্লগা চৎলিবা থৱায়শিং
শাবীয়ু নিরুগে য়োৎকী পোল্লাং।

নম্লিবা মনমসে খঙই ঐদি
কল্লক য়েংথি, হাৎনা শুনবগী মনমনি
অরুবা ঈশিংনা চাম্বা নত্তনদি
ইখেঙগী মনমসে কোকপদি ঙম্লরোই।

ইতুং ইনবিনবা ক না লৈত্রবসু
ইং–তপ্পগী লালহৌবনি হায়রসনু ঐবু।

অঙাওবনি হায়গে হায়রসনু ঐবু
চৈরাক পীগে পীরসনু পীনিংবা
খাম্লনু ঐবু থিংলনু অমুক
ইখোঙসে থাংলবনি চৎলগে খন্না।